# দি আর কোঙ্গোদা ট্রুপশিংনা বুরুন্দিয়ন রেফ্যুজী ১৮ হাৎখ্রে : ওফিসলশিং



সাউথ কিভু, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
অফ্রিকাগী নোংপোক থংবা ডেমেক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোদা ট্রুপশিংনা বুরুন্দিয়ন রেফ্যুজী ১৮ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা ইষ্টর্ন প্রোভিন্স সাউথ কিভুদা লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। মশিং অসি অহানবগী তুংদা হেনগৎলকপা য়াই হায়না ওফিসল শিংদুনা মখা তাখি। অমরোমদা বুরুন্দিয়ন রেফ্যুজী অমনা মীওই ৩০ শিখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা ১০০ অশোক-অপন নংলে হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল জোস্যু বোজিনা হায়খি, ইরাই নুমিৎকী লান অদুদা ট্রুপশিংনা নোংথক্তা নোংমৈ কাপ্লগা রেফ্যুজীশিং তানখায়নবা হোৎনখি তৌইগুম্বসুং মীওই ট্রুপ অদুনা নূংনচিংবা লংশিন্দুনা ট্রুপশিংবু লাকহৎনবা হোৎনখি।

লৈবাক অদুগী ডোমেষ্টিক ইন্টলিজেন্স এজেন্সীনা রন তৌবা জেল অমদা রিফ্যুজীশিং থোমজিনখিবদগী খূৎ থোক্লবদু হৌখি হায়না বোজিনা হায়খি। মহাক্কী মতুং ইন্না জেলদা থোমজিনখিবা রেফ্যুজীশিংদুনা য়ুমশকৈশগী অহিংদা ফাখিবা বুরুন্দিয়ন মরি থাদোক্লবা ডিমান্দ তৌখি।

রেফ্যুজীশিংনা কামানয়োলাদা লৈবা পাকিষ্টানিশিংনা রন তৌবা য়ু এনগী কেম্প অমদা অশিবা হকচাং মরি পুখিবা মরম্না অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এনগী পীছকীপ্পিং মিসন মোনুসকোগী স্পোক্সপর্সন অমনা অশিবা অমসুং অশোকপা মীশিংগী মশিং পীখি। মদুসু তুংদা হেনগৎলকপা য়াবগী ফিভমদা অশিবনা ১৮ ওইখি অমসুং অশোকপনা ৫০ ওইখি।

ঐহাক্না খুৎলাই শুকপায় পায়দবা নুপা, নুপী অমসুং অঙাং কয়া লৈমায়দা হাইথবা উখি হায়না বুরুন্দিয়ন রেফ্যুজী অমনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি। হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়না মীওই ৩১ শিরে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ১০৫ শোক্লে অমসুং অশোকপশিংগী মরক্তা ফিভম লুবা ১৫ য়াওরি হায়না পারি হায়না রিফ্যুজী অদুনা মখা তাখি।

# কিম জোং-উননা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম মপূং ফাহনগনি হায়খ্রে

পিয়োংয়াং, সিওল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
মিলিটরি ফোর্সকী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা থোং মান্নহন্নবা মহাক্কী লৈবাক্না থল্লকখিবা পান্দম ফংগদবা লাপত্রে হায়না নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং উননা ফোঙদোকখ্রে। ইরাই নুমিৎতা নোর্থনা পাঙথোকখিবা বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং অমা 'কাইহৌবগী কা-হেনবা থৌওংনি' হায়রদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা কন্না কন্দেম তৌখিবগা চান্নবা কিম জোং-উননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী কেপিটেল পিয়োংয়াংদগী কাপখিবা মিসাইল অদুবু য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিশিংনা ডিটেক্ট তৌখিবা মতুং নোংমা লৈরগা থাংজ নুমিৎতা নোর্থকী ওফিসল কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সীনা কিমগী কম্মেন্টশিংদু ফোঙখি।

জপানগী নোংথক লান্না পাইখিবা মিসাইল অদু কিলোমিটর ৩,৭০০ (মাইল ২,৩০০) পাইখি অমসুং নোরদর্ন পেসিফিকতা তাশিনখি। মদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা নোর্থকী বলিষ্টিক মিসাইল অমগী খ্বাইদগী শাংবা টেষ্ট ফ্লাইট ওইখি।

নোর্থনা মিসাইল অদু ওগষ্ট ২৯ দা জপান লান্না পাইহনখিবা মোদেলদুমক ওইবা ময়াই ওইরপ শানবা হৱাসোং-১২ অমনি হায়না কনফার্ম তৌখ্রে।

কে সী এন এনা হায়খি, মিসাইল লোঞ্চ অদুগী মতাংদা কিমনা অপেনবা চাউনা ফোঙদোকখি অমসুং মহাক্না মিসাইল অদুগী লান্দা মায় পাক্না শীজিন্নবা য়াবগী ফিভম অমসুং মদুগী পাৱর হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপগী ফিভম অদু ভেরিফাইদ তৌখ্রে।

ইংলিস লোলগী রিপোর্ট অদু নাখৈ শেংবগী মমি ৱাৎলবসু কোরিয়ন ভর্সন অদুনা কিমগী ৱারোল পল্লদুনা মিসাইল অদু ওপরেসন য়াগদবা মওংদা শেম-শারে হায়খি। মালেমগী অথীংবা কয়াগী মরক্তা মহাক্না মহাক্কী ন্যুক্লিয়র খুৎলাই প্রোগ্রাম মপূং ফাহনগনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখ্রে হায়না এজেন্সী অদুনা পনখি।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা নোর্থ কোরিয়াবু জপান লান্না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল পাইহন্দুনা



লমদমদুগী পীছ অমসুং সিক্যুরিটিদা অকায়বা পীরে হায়না মরাল শিখি অমসুং ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল চাংয়েংশিং অদুনা মালেম পূম্বদা সিক্যুরিটিগী নুংনাংবা চাউনা পোকহল্লে অমসুং য়ু এনগী মেম্বর ষ্টেট ১৯৩ মকপু কিহল্লে হায়খি।

মালেম পূম্বনা খঙনরিবগুম য়ু এননা চহী কয়া লিশাং শিৎনা লেপ্তুনা অথীংবা কয়া থমদুনা লাক্লবসু ঐখোয়না অসিগুম্বা পান্দমশিং অসি ফংবা ঙমখি হায়না কিমনা হায়খি।

লৈবাক অসিগী অরোইবা পান্দমদি অশেংবা ফোর্সতা য়ু এসকা থোং মান্ননা লৈবা অমসুং য়ু এসকী লৈঙাকপশিংবু ডি পি আর কেগী ৱাফম লাকপদা মিলিটরি ওপসনগী ৱা হায়বা ঙমহন্দবনি হায়না কিমনা মখা তাখি।

# রোহিংয়া ৱাথোক্কী মতাংদা বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টরনা মালেমগী মতেং নিগদৌরি

ধাকা, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
রোহিংয়া ৱাথোক থেংনবদা মালেমগী মতেং লৌনবগী ৱাখলনা মাঙওইনদুনা বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈইখ হসিনা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা শরুক য়াননবগীদমক্তা থাংজ নুমিৎতা ন্যু য়োর্কপাংখ্রে।

ম্যান্মারদা লান্মীশিংনা মুস্লিম লালহৌবশিংগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা অকনবা মিলিটরি কেম্পেনদা লৈবাক অসিদগী বাংলাদেশতা চেনখিবা রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী মশিং ৪০০,০০০ হেনখিবগা লোয়ননা বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাথোক অদু থেংনবদা মতেং পাংলক্লবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা ৱা ঙাংবদা মালেম পূম্বদা অপীল তৌগদৌরিবনি।

ম্যান্মারদা চথুরিবা থৌওংশিংগী মতাংদা প্রোটেষ্ট তৌনবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী এনভোইবু মহাক্কী



গভর্নমেন্টনা অহুল্লকশুবা ওইনা কৌখৎখিবা মতুং নোংমা লৈরগা প্রাইম মিনিষ্টর হসিনা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা শরুক য়ারুনবগীদমক্তা থাংজ নুমিৎতা কেপিটেল ধাকা থাদোকখিবনি। ন্যু য়োর্কতা ৱারী শানবদা হসিনানা ম্যান্মারদা অহেনবা প্রেসর পীনবা ডিমান্দ তৌগনি হায়না মহাক্কী ওফিসনা ফোঙদোকখি।

বুদ্ধিষ্টশিংনা মশিং য়াম্বা ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতা ওগষ্ট ২৫ দা মীশি-মীনা কয়া থোকহনবা ঈরাং হৌখিবদগী বাংলাদেশতা রোহিংয়া মুস্লিমশিং থোমজিনবনি।

থাংজ নুমিৎতা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোকখি মদুদি, ম্যান্মারগী ঈরাং অদুদগী বাংলাদেশতা চেনখিবা মীশিংগী মশিং হৌজিক ৮০৯,০০০ য়ৌরে। মসি নোংমদা ১৮,০০০ হেনগৎখিবগী ফিভমনি।

মমাঙদা রেফ্যুজীশিং চেন্নরকখিবদা মীওই ৩০০,০০০ হেন্দুনা লৈফম লৈত্রবা রোহিংয়াগী কেম্পশিংদা অনৌবা রেফ্যুজীশিংনা কা হেন্না প্রেসর পীবগী মওং লৈবা বোর্দর টাউন কোক্স বাজারগী ফিভম লুশিল্লক্লি হায়রি।

# ইরাননা অফঘানিষ্টান ১সুং পাকিষ্টানগী সিয়াশিং রিক্রুট তৌদুনা সিরিয়াদা লান শোক্নহল্লে : ওফিসলশিং



ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
সিরিয়াদা প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকী ফোর্সশিংগা লোয়ননা লান্থেংমিন্ননবা ইরাননা অফঘানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টানগী সিয়াইট মুস্লিম লীশিং কয়া রিক্রুট তৌরি হায়না কাউন্টর টেররিজমগী ওফিসল অমসুং এনালিষ্টশিংনা হায়রি। সিয়াইট মুস্লিমশিং অদু ময়ূম-মকৈ, দোলর ৬০০ ফাওবগী থাগী তোলোপ ফংহনগনি অমসুং মখোয়না হল্লক্লগা ইরানদা থবক ফংহনগনি হায়না থাজহল্লগা রিক্রুট তৌরিবনি হায়রি।

ইরানগী সুপ্রিম লীদর অয়াটোলাহ অলি খামেনৈনা ফোংনা থাগৎখিবা ফাইটরশিং অসিগী মশাগী বৃগেদশিং ফাওবা থমই হায়রি। তৌইগুম্বসুং রিক্রুটশিং অদুনা ময়ূম লৈবাকশিংদা হল্লকপা মতমদা থোকহল্লক্কদবা কাংখোং চাইবগী ফিভমদুগী মতাংদা লৈবাক অনীমক্কী কাউন্টর টেররিজমগী ওফিসলশিংনা ৱানরি। লৈবাক অনীমক লালহৌবগী অকনবা ঈরাংশিং লৈরিবনি।

য়ু এসতা বেজ ওইবা ফাউন্দেসন ফোর দ ডিফেন্স ওফ ডিমোক্রেসিজদা ইরানগা মরী লৈনবা রিসর্চ এনালিষ্ট অমির টৌমাজনা হায়খি, ফাইটরশিংগী মশিং চপ চানা হায়বা ঙমদে তৌইগুম্বসুং অফঘান ৬,০০০ লোম্না অশাদকীদমক্তা লান্থেংনরি। চা কয়ানা খুজিং ওইবা পাকিষ্টানি ফাইটরশিং অদু জাইনবোয়ৌন বৃগেদ হায়বা বেন্নর অমগী মখাদা লান্থেংনরি।

অফঘানিষ্টানদা মাইনোরিটি সিয়াইটশিংদা ইস্লামিক ষ্টেট ইন দ খোরাসান প্রোভিন্স কৌবা নৌনা চোংথোরকখিবা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা এটেক তৌবসু তোইরকখি। মদু সিরিয়াদা ফাতিমায়ৌন বৃগেদ হায়বা বেন্নরগী মখাদা লান্থেংনরিবা অফঘান সিয়াইটশিংগী মায়োক্তা লমন খুম্বগী থৌদোকশিং ওইবা য়াই হায়না টৌমাজনা ফোঙদোকখি। খোরাসান অসি ইরান, অফঘানিষ্টান, পাকিষ্টান অমসুং সেন্ট্রেল এসিয়াগী শরুকশিং য়াওবা এরিয়া অমগী মমাঙগী মিংনি।

মীওই কয়ানা লমন খুম্বগী থৌদোক কয়া থোক্লক্কনি হায়না থাজনখি হায়না টৌমাজনা ফোঙদোকখি। 'কাঙলূপকী ঈরাং হেনগৎহনবগী মতাংদা আই এসকীসু মশাগী ওইবা ষ্ট্রেটেজি লৈজে।' অফঘানিষ্টানদা সিয়াইটশিং মীপাইনরে হায়বা য়াই। হন্দক্কী ইরাই নুমিৎকী প্রেয়র সর্ভিস অমদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি খ্বাইদগী চাউবা ইব্রাহিম খালিল মোস্ক য়াওনা অফঘান কেপিটেলদা লৈরিবা সিয়াইটকী মোস্কশিং তিনফম থোকপা মী মশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমা য়ৌনা তিনদ্রে। মমাঙগী ইরাই নুমিৎশিংদদি লাই খুরুম্বা লাকখিবা মীশিংগী মশিং অদুক্কী মতিক য়ামখি মদুদি মনুংদা চন্দবদগী মীশিংনা মোস্কশিংগী মপান্দা লম্বীদা লৈনখি।

# য়ু কেদা অন্দরগ্রাউন্দ ট্রেন এটেকতা চেন্নবশিং থিবগী অচৌবা ওপরেসন অমা হৌখ্রে



লন্দন, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
লন্দনদা মীনা থন্না তোংবা ট্যুব ট্রেন অমদা বোম পোকখায়হন্দুনা মীশি-মীনা অমসুং অমাঙ-অতা কয়া থোকহন্নবা হোৎনখিবা সস্পেক্ট খরা থিবগী অচৌবা ওপরেসন অমা য়ু কেগী পুলিসনা থাংজা নুমিৎতা হৌখ্রে। চৈরকসিদা, এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেট টেরর গ্রুপনা ক্লেম তৌখ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ইমপ্রোভাইজ এক্সপ্লোসিভ ডিভাইস (আই ঈ ডি) অমা পার্সন্স গ্রীন ষ্টেসনদা পোকখায়খিবদা মীওই ২৯ অশোক-অপন নংখি। য়ু কেগী টেরর থ্রেটকী লেভেল খ্বাইদগী ৱাংখি।

মেট্রোপোলিটান পুলিসকী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর মার্ক রোলিনা হায়খি, এটেক অদু পাঙথোকখিবশিংনি হায়না চিংনবা মীওইশিং পুলিসনা থিবা অমসুং কোইতান তান্নবা হৌখ্রে অমসুং ওফিসর চা কয়ানা সিসিটিভিগী ইমেজশিং য়েংশিন্দুনা থি-হুম্বগী থবক চথখি। মিলিটরিগী মায়কৈদগী পীরকপা পর্সনেল কাঙবুশিংনা অয়াম্বনা সিভিল ন্যুক্লিয়র কন্সটেব্যুলরি অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ ডিফেন্সতগী শীজিন্নবা অহেনবা খুৎলাই পায়বা পুলিস ওফিসর ১,০০০ রোম শিনবা ঙল্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হোমমেদ ডিভাইস অদুবু প্লান্ট তৌখিবনি হায়বা সস্পেক্ট অমা পুথোকপদা ডিটেক্টিভশিংনা ষ্টেসন অমসুং ট্রেন অদুগী সিসিটিভি ইমেজশিং শীজিন্নখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না মখা তানা বোমর অদু মশক খঙদোক্লবা হোৎনখি। ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট গ্রুপনা এটেক অদু মখোয়গী খূৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

থৌদোক অদুদা মীওই অমৎতা ফিভম লুনা শোকখিদে। সস্পেক্ট অমা ফাখিবগা লোয়ননা পার্সন্স গ্রীন ষ্টেসন মহৌশাগুম হাংবা হৌখ্রে। অতোপ্পা টেরর এটেক অমসু মখা তানা চথরকপা য়াই হায়বগী চিংনবদা য়ূম্ফম ওইরগা টেরর ষ্টেটস খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা পুখৎলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা হায়খি, মীয়াম্না চঙবদা অথীংবা লৈবা অখন্ননা ঙাক-শেন্দুনা থম্বা সাইট খরদা গার্দকী ড্যুটি তৌরিবা আর্মদ পুলিসকী মহুৎতা মিলিটরি পর্সনেলনা মহুৎ শিল্লগনি।

হৌখিবা চহী ১১ অসিদা টেররগী থ্রেট লেভেল খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা পুখৎপা মসিনা মরিরকশুবনি। মমাঙদা অসুম্না থ্রেট লেভেল ৱাংখিবা খ্বাইদগী নকপা থৌদোক অদু মাঞ্চেষ্টর অরিনা বোমিংনা ওইখি। মীয়াম্না ট্রান্সপোর্ট নেটৱার্ক অমসুং ঐখোয়গী লম্বীশিংদা অহেনবা আর্মদ পুলিসনা অহেনবা প্রোটেক্সন পীবা উরগনি। ইনভেষ্টিগেসন চথরিঙৈ মনুংদা মসিনা মীয়ামদা সিক্যুরিটিগী মতাংদা থাজবা হেনগৎহনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। করিগুম্বা বোম অদু মপূং ফানা পোকখায়রম্বা থোক্লবদি অমাঙ-অতা চাউনা থোক্লম্বা য়াই হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা অকিবা ফোঙদোকখি। হান্নগী আর্মিগী বোম ডিসপোজেল ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি মদুদি ডিভাইস অদুগী ইনিসিয়েটিং চার্জ অদু পোকখায়খি তৌইগুম্বসুং মেইন চার্জ অদুদি পোকখায়হনবা ঙমখিদে হায়না গর্দিঅননা ফোঙদোকখি।

অহানবদা পুলিসনা বোমর অদু হোস্পিটালদা পুখৎখিবা অশোকপ-শিংগী মরক্তা য়াওরম্বা য়াই হায়না চিংনখি। অদুম ওইনমক ইনভেষ্টি-গেটরশিংনা ডিভাইস অদু রিমোট শীজিন্নদুনা পোকখায়হনখিবনি হায়না থাজখি। মরম অদুনা মদু সুইসাইদ এটেক অমা ওইরম্বা য়াবগী মহুৎতা বোমর অদু ডিভাইসতু পোকখায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা ট্রেনদু থাদোক্তুনা চৎলম্বা য়াই হায়না থাজনখি।

## সী আই এনা দ্রোন ষ্ট্রাইক্কীদমক অহেনবা ওথোরিটি পাম্লি

*ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :*
*সী আই এনা অফঘানিষ্টান অমসুং অতৈ এক্টিভ ৱার জোনশিংদা অরোনবা মওংদা দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং চথনবগী অহেনবা পাৱর পায়নবা হোৎনরি হায়রি। পেন্টাগোনগী সেক্সন খরনা চিংনবা লৈরবসু প্রপোজল অসি হ্বাইট হাউসনদি শৌগৎলি হায়না হৌজিক লৈরিবা অমসুং হান্নগী ইন্টিলিজেন্স অমসুং মিলিটরি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।*

*করিগুম্বা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা এপ্রুভ তৌরবদি মদু সী আই এনা অহানবা ওইনা অফঘানিষ্টানদা ওপরেসনশিং চথবদা অহেনবা পাৱর পায়বা ওইগদৌরিবনি হায়রি। অহেনবা পাৱর অদুনা বোর্দর ৱাংমা লান্না পাকিষ্টানদসু অল কাইদা অমসুং অতৈ টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা ষ্ট্রাইকশিং চথবা ঙমহল্লগনি হায়রি।*

# কর্দিশ পার্লিয়ামেন্টনা সেপ্টেম্বর ২৫ দা নীংতম্বগী রেফরেন্দম পাঙথোক্লবগী থৌরাং শৌগৎখ্রে



বাঘদাদ, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
ইরাক্কী ওটোনোমস কর্দিষ্টান রিজনগী পার্লিয়ামেন্টনা নীংতম্বগী মতাংদা সেপ্টেম্বর ২৫ দা রেফরেন্দম অমা পাঙথোক্লবগী থৌরাং অমা ইরাই নুমিৎতা এপ্রুভ তৌখ্রে। বাঘদাদ অমসুং লমদম অদুগী অতৈ লৈবাক কয়া অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাক কয়ানা ভোট অদুনা নৌনা কনফ্লিক্ট লাকহনগনি হায়রদুনা রেফরেন্দম পাঙথোকপগী ৱাফম অসি কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

ইরাক্কী অৱাং থংবা লমদমগী কর্দিষ্টান রিজনেল গভর্নমেন্ট (কে আর জি) গী সিট ওইরিবা ইর্বিলদা হীরম অসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম অমুক হন্না পাঙথোকখি। মীফম অদুদা কর্দিস লোমেকর অয়াম্বনা থৌরাং অদুবু শৌগৎখি।

ৱারেপ লৌখিবা পূং খরগী মতুংদা হ্বাইট হাউসনা ইহান হানবা ওইনা কে আর জিদা রেফরেন্দম অদু কেন্সেল তৌনবা ফোংনা অপীল তৌখি। ভোট অদুনা আই এস আই এস (ইস্লামিক ষ্টেট) পু মায়থীবা পীনবা অমসুং লিবরেটেদ এরিয়াশিংদা তং তাবা ফিভম লৈহন্নবা হোৎনরিবশিং অদুদগী মরী লৈনবা পূম্নমক্কী পুক্লিং চোইহনগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা চেকশিনৱা ফোঙদোকখি।

"কর্দিষ্টান রিজনেল গভর্নমেন্টনা থা অসিগী অথেংবা শরুক্তা রেফরেন্দম অমা পাঙথোক্লবা থৌরাংলিবসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শৌগৎতে হায়না হ্বাইট হাউসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। বাঘদাদকা থৱায় য়াওনা অমসুং লেপ্তুনা ৱারী শাননবসু ষ্টেটমেন্ট অদুনা কে আর জিদা তকশিনখি অমসুং অদুগুম্বা ফিভমদা মতেং পাংগে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোক্তুনা লাকখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

কর্দিশ লীদরসিপতা রেফরেন্দম অদু কেন্সেল তৌনবা তকশিন্নবা হায়দুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ডিপ্লোমেটিক্কী অকনবা ড্রাইভ অমা চথরিঙৈদা রিজনেল পার্লিয়ামেন্টনা রেফরেন্দমগী ৱারেপ অদু লৌরকখিবনি। কে আর জিনা ইস্লামিক ষ্টেট থেংনবদসু য়ু এসনা মিলিটরি তেংবাং পাংখিবনি।

চহী অনীমুক্কী মমাঙদা লেজিসলেচর সস্পেন্দ তৌখিবদগী অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম অদুদা লোমেকর ১১১ গী মনুংদা ৬৮ খক্না শরুক য়াখি। মরুওইবা ওপোজিসন মুভমেন্ট গোরাননা বোইকোট তৌখিবদগী সেসন অদুদা লোমেকর মশিং য়াম্না শরুক য়াখিদবনি।

মসিগীদমক্তা ঐখোয়না চহী ১০০ হেন্না ঙাইরকখি হায়না কে আর জিগী প্রসিদেন্ট মাসৌদ বরেজানিগী কর্দিষ্টান ডেমোক্রেটিক পার্টি (কে ডি আর) গী লোমেকর অমা ওইরিবা ওমেদ খোশনোনা ফোঙদোকখি।

কর্দিশ ফিরালশিংনা য়োমখিবা লোমেকর খরনা ভোট মতুংদা হৌগৎলগা খুবাক খুখি অমসুং নেস্নেল এনথেম শকখি।

# টাইফূন টালিম জপানগী ক্যুসু ঈথৎতা থুংলগনি

টোকিয়ো, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী) :
টাইফূন টালিম নোংমাইজিং নুমিৎতা জপানগী ক্যুসু ঈথৎতা থুংলগনি হায়না ৱেদর এজেন্সীনা থাংজ নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী নুংথিল ফাওবদা পেসিফিককী টাইফূন সীজনগী ১৮ শুবা, টাইফূন ওইরিবা টালিম কাগেসিমা সিটিদগী খা-নোংচুপতা কিলোমিটর ৪৮০ লাপ্পা লৈখি হায়না জপান মিটিওরোলোজিকেল এজেন্সী (জে এম এ) না ফোঙদোকখি।

অকনবশিংগী মনুং চনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু পূংদা কিলোমিটর ১৪৪ ফাওবগী খোঙজেল ওইবা নুংশিৎশিং অমসুং মদুগী ময়াইৱাইদা মিলিবার ৯৫৫ গী এটমোসফেরিক প্রেসরগা লোয়ননা অৱাং-নোংপোক তম্না তপ্না চঙশিল্লি হায়না ইফে ন্যুজনা



ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিৎতা টাইফূন অদু য়াম্না কনবশিংগী মনুংদা অমনি হায়না ক্লাসিফাইদ তৌখি অমসুং মদুনা মনাক নকপা ঈথৎশিংদা নোং কন্না চুহনখি। পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেগী মতুং ইন্না, হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা ক্যুসুগী মিয়াজকি সিটিদা নোং চুবগী চাং এম এম ৩৬০ ফাওবা য়ৌখি হায়না রেকোর্দ তৌখি। এয়রপোর্টতা নোংকা হেন্না কন্না চুখি অমসুং মদু পূংদা এম এম ৭১ ফাওবা য়ৌখি হায়না পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেনা হায়খি। জে এম এনা পেসিফিক রিজনদা থাংজ নুমিৎতা পূংদা নোং এম এম ৫০ রোম চুগনি অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎতা তাংদাংবা মফম খরদা এম এম ৮০ দা হেনগৎলকপা য়াই হায়না জে এম এনা প্রীদিক্ট তৌখ্রে।

এজেন্সী অসিনা লেন্দস্লাইদ থোক্লকপা য়াবগী রিস্কশিংগী মতাংদসু ৱার্নিং তৌখ্রে। সেপ্টেম্বর ৯ দা ফিলিপিন্সকী কোষ্টশিংদগী হৌখিবা টাইফূন টালিমনা টাইৱান অমসুং চাইনাদা মীওই মিলিয়ন তঙ্খাইরোম শাফগদবা মফমশিংদা হোংহনখি। মদুগী তুংদা টাইফূন অসি জপানগী মায়কৈ পাংখিবনি।